**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চীংখোঙ চীংয়াদা অশোই অঙাম থোক্তনা লৌ লোকবা অমসুং আই.দি.পিশিং অথুবা মতমদা খুন্দা লৈতাহন্নবগী মতাংদা বিষ্ণুপুর জিলাদা সেক্যুরিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

২) মণিপুরদা নৌনা দেঙ্গিগী সেম্পল ১৮৩ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৭৭ পোজিতিভ ওইবা থেংনরে।

৩) অঙাং খুদিংমক পোলিও হিদাক পীথক্তুনা পোলিও লায়ননা লোইশিনবা হায়বা হিরমদা ঙসি মালেমগী পোলিও নুমিৎ পাঙথোক্লি।

৪) এম.এল.এ. জাংহেনলুং পানমৈনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- রোজগার মেলানা লৈবাক অসিগী নহাশিংগী মঙলান মঙফাওনহন্নবগী লম্বী অমা ওইরক্লি।

------

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ চীংখোঙ চীংয়াদা অশোই অঙাম থোক্তনা লৌ লোকবা অমসুং ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই.দি.পি)শিং অথুবা মতমদা খুন্দা লৈতাহন্নবগী

মতাংদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা সভাপতি ওইদুনা সেক্যুরিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি, এ.দি.এম, সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগী কম্মান্দিং ওফিসার অমসুং মীহুৎশিং, এস.দি.ও, ও.সিনচিংবা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা লৌরোক পন্থা নকশিল্লকপা অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংগী মরক্তা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা পনখি। মহাকা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিসিয়েলশিংদা মথৌ নিংথিনা তৌদুনা লৌমীশিংনা লৌ লোকপা মতমদা অশোই অঙাম থোক্তনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবা আপীল তৌখি। মীফম অদুদা কুপা খন্নরবা মতুং চীংখোঙ চীংয়াশিংদা লৌ লোকপগী মতম অয়ুক পুং ৬ মখায়দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবদা অহেনবা সেক্যুরিতিগা লোয়ননা চত্থবা হায়না ব্রারেপ লৌখি। লৌমীশিংনা হায়রিবা মতম অসি ঙাকা থবক তৌবীনবা শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা আপীল তৌরি।

মীফম অদুদা সেক্যুরিতি ওফিসিয়েলশিংনা পীবা রিপোর্টকী মতুংইন্না চীংখোঙ চীংয়াগী মফম খরদা লৌ লোকপগী থবক হৌখ্রে অমদি নবেম্বর থা লোইশিল্লকপদা লৌ লোকপা পুমলোই লোইরবা য়াই। দিপ্যুতি কম্মিসনার আই.দি.পিশিং অথুবা মতমদা খুন্দা লৈতাহন্নবা হোৎনবদা ওফিসিয়েল খুদিংমক্কী মতেং য়ামমক তঙাইফদে হায়খি। মহাকা হায়- সেক্যুরিতি ওফিসার কয়ামরুমনা থবক অসি হৌনবা মফম খরা খঙদোক্লে হায়রি। সেক্যুরিতি ফোর্সনসু হিরম অসিগী মতাংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

রাজ ভবন (এল)ঃ মণিপুরগী শকাইরবা ব্রেথলিফতর সাইখোম মিরাবাই চনুনা ঙসি রাজ ভবন ইম্ফালদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্যপালনা মিরাবাই চনুনা তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিংদা মনা ফংলকখিবা অদুবু থাগৎপগা লোয়ননা মহাক্কী শান্নবগী লম্বীদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়খি। মিরাবাই চন্না মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা শান্ন-খোৎনবগী খুদোংচাবশিং অদুগী

মতাংদা মহাক্কী ওইবা মোৎ ফোংদোকপগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিং অমদি হৈথোই শিংথোইরবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লদুনা রাজ্য অসিদগী চেম্পিয়ন কয়া পুথোকবা শান্ন-খোৎনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবা রাজ্যপালদা তকশিনখি।

চাক্কৌবা (এল)ঃ ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)না শিন্দুনা নুপী পাউমীশিংবু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অমজগী প্রসিদেন্ট অশেম ভক্ত সিংহ, এদিটরস গিল্ড মণিপুর (ই.জি.এম)গী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্র খোমদ্রাম অমদি অতে থৌ পুবশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা অমজগী নুপী পাউমীশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা শিন্দুনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা নিংঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। বিদ্যানাগর মল্টিপরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা নুপী ওইবীশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

সলাই অপুনবা নুপী লমজিং লুপ (সনুলাল)না শিন্দুনা ১৩ রক শুবা চাক্কৌবগী থৌরম লুপ অসিগী শিংজমৈ চীংঙামখাদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হোপ হোম অমদি চিলদ্রেন হোমগী নুপীমচা কয়ামরুমনা শরুক য়াখি।

কোরিয়া মণিপুরী এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম কোরিয়াগী জিওনজদা পাঙথোকখ্রে।

উখ্রুল (এল)ঃ উখ্রুল জিলাদা সরদার এদ ১৫০ য়ুনিতি মার্চ পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অশিশ কুমারনা হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হায়- উখ্রুল জিলাগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল পথ যাত্রা-য়ুনিতি মার্চ থা অসিগী ৩১ দা পাঙথোক্কনি। এক ভারত আত্মা নিরভর ভারত হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসি উখ্রুল

টাউনগী ওইনা নবেম্বর ৩ দা পাঙথোক্কনি। ভারতকী অহানবা উপ-প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রি ওইরম্বা সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী ১৫০ শুবা মপোক নুমিৎতা য়ুনিতি মার্চ হায়না পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মহৈরোই অমদি মীপুম খুদিংমকা শরুক য়াবীনবা আপীল তৌরি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মণিপুরদা নৌনা দেঙ্গিগীদমক সেম্পল ১৮৩ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৭৭ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা ঙসি থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা পুন্না সেম্পল ১১৬ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৫৮ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা মীওই ২৪ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১০ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। চহি অসিগী জনুৱারি ১ দগী ঙরাং ফাওবদা পুন্না সেম্পল লিশিং ৭,০৫৪ টেষ্ট তৌবদা মীওই লিশিং ৩,১১৪ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। হায়রিবা মতম অসিদগী ঙরাং ফাওবদা মফম লিশিং ১,৯৬২ অমসুং রিলিফ কেম্প ৬ তা মৈখু কাপ্পগী থবক চথখ্রে। রিলিফ কেম্প ৯ য়াওনা মফম লিশিং ১,৫২৬ তা এৱারনেস কেম্পেন পাঙথোকখ্রে। ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উরিপোক অচোম লৈকাই অমসুং কৈশামথোং লোংজম লৈরক্তা লৈবা য়ুম য়ুমদা চংদুনা সর্ভে চত্থখি। মদুদা পোজিতিভ ওইরম্বা মীওই ২৬ থেংনখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ওপরেসন সদভবনাগী মখাদা তমেংলোং জিলাগী কতাংবম অমসুং কতিয়াং খুলদা লৈবা মীওইশিং হকশেলগী খুদোংচাবা পীনবা পান্দমদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা নুপী, অঙাং অমসুং অহল ওইরবা মীওই ১০০ রোম লায়েংবগা লোয়ননা লেমা হিদাক লাংথক য়েন্থোকখি।

পোলিও (এল)ঃ মালেমগী পোলিও নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা থোঙাম বিশ্বজিৎ এম.এল.এনা মালেম অসিবু পোলিও লায়না লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা পুন্না ৱারেপ লৌমিন্নরশি হায়রি।

পাউজেল অমদা মহাকা হায়- ভারত পোলিও লায়না মুখৎনবা মায় পাকা পায়খৎলিবা থৌরাং অসি অপুনবগী ময়েক লারবা খুদম অমনি। হৌরক্লিবা অঙাং খুদিংমক অমদি তুংদা লাক্কদবা মীরোল খুদিংমক পোলিও লায়নাদগী ঙাকথোকবা পুন্না ৱারেপ লৌমিন্নরশি হায়রি।

মালেগী পোলিও নুমিৎনা লাকপদা রাজ্যগী ষ্টেট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসার ডাঃ কে.এস.ঐচ মেমচা দেবীনা হায়- কুমশি চহিগী হিরমনা অঙাং খুদিংমক পোলিও হিদাক পীথক্তুনা পোলিও লায়ননা লোইশিনবা হায়বসিনি। মহাকা হায়- ভারত অসি ইং ২০১৪ দা পোলিও লায়না লৈতবা লৈবাক অমনি হায়না দব্লিউ.ঐচ.ওনা লাউথোকখ্রবনি। অদুমওইনমক, য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা পোলিও লায়না লৈবা মরমনা লৈবাক অসিদা মতম অমদা হেক্তা পোলিও লায়না চংলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা হিদাক অসি অঙাংশিংদা পীথকপনি। মমা মপা ওইবশিংনসু অঙাংশিংদা পোলিও পিথকপগী হৈনবী অসি লৈগদবনি।

মালেমগী পোলিও নুমিৎকা মরী লৈননা সাইকল রেল্লি অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রোটেরি ক্লব ওফ ইম্ফাল সিতি অমসুং রোটেরি ক্লব ওফ পোলো সিতি ইম্ফালনা পুন্না শিন্দুনা সাইকল রেল্লি অদু কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী লমথাখি। রেল্লি অদু মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা রোটেরি ভবনদা পন্থুংফম ওইখি।

ইন্সপেক্সন (এল)ঃ তমেংলোং বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ. জাংহেনলুং পানমৈনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। এম.এল.এনা রাইলোং ভিলেজদা শেমগৎলিবা ১৩২ বাই ৩৩ কে.ভি. পৱার গ্রিদ সবষ্টেসন, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংদা পায়খৎলিবা সুপর স্পেসিয়েলিতিগী খুদোংচাবশিং, সর্বা শিক্ষা অভিয়ানগী মখাদা কাংচিয়ুলুৱাং প্রাইমারি স্কুলগী ফিভম, পি.এম. উসাগী মখাদা তমেংলোং কলেজগী ক্লাসরুম চাউথোকহনবগী থবক পায়খৎলিবা, তমেংলোংদা ফমুং ১০০ লৈগদবা হোষ্টেল অমসুং কনভেন্সন কম মল্টিপরপজ হোলগী ফিভমশিং য়েংশিনখি।

খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এনা হায়- ১৩২ বাই ৩৩ কে.ভি. পৱার গ্রিদ সবষ্টেসন অসি চৎলিবা শেনবা চহি অসিগী মমাংদা লোইশিন্নবা হোৎনগনি। মহাকা হায়- এসিয়ান দিভলপমেন্ট বেঙ্ককী মখাদা পায়খৎলিবা ইম্ফাল-কাংচুপ-তমেংলোং লম্বী শেম্বগী থবক অনৌবা কম্পনি অমগী মখাদা অথুবা মতমদা হৌরগনি। শ্রী জাংহেমলুংনা হায়- তমেংলোংদা লৈবা জদোনং পার্কতগী কাউন্সিল জঙ্কসন ফাওবগী লম্বী রিজিৎ পেবমেন্টনা থাবগী থবক মথং চয়োলদা হৌরগনি। মসি চহি অসিগা দিসেম্বর ১৭ তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য থাক্কী কোল্লা ফেষ্টিভেলগী মাংওইননা লোইশিন্নবা হোৎনগনি।

মনকিবাটঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৭ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ২৬ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- রোজগার মেলানা লৈবাক অসিগী নহাশিংগী মঙলান মঙফাওনহন্নবগী লম্বী অমা ওইরক্লি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা ১৭ শুবা নেসনেল রোজগার মেলাগা মরী লৈননা পীবা পাউজেল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- মেলা অসিখক্তদা হৌখিবা মতম খরা অসিদা লৈবাক অসিগী নহাশিং এপ্পোইন্টমেন্ট লেট্টর লাখ ১১ রোম পীখ্রে। হৌজিক পাঙথোক্লিবা রোজগার মেলা অসিদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংদা থবক চংনবগীদমক নহা লিশিং ৫১ হেনবদা এপ্পোইন্টমেন্ট লেট্টর পীখ্রে। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা ভিক্সিত ভারত য়োজনা হৌদোকখি। মসিগী

মরুওইবা পান্দমদি লৈবাক অসিগী নহা কোতি ৩ মখায়রোমদা থবক পীননবনি। শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি ১১ অসিদা লৈবাক অসি ভিক্সিত ভারত ওইনবা মাঙলোমদা শিংথানিঙাই ওইনা চংশিল্লক্লি। মসিদা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌরি। শ্রী মোদিনা হায়- বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ সরকারগী মরুওইবা পান্দমদি- নহাশিংবু শক্তি পীবনি।

ষ্টিল ইন্দিয়া মিসনগুম্বা কেম্পেন্না নহাশিংদা স্কিল ত্রেনিং পীরি। অদুগা নেসনেল কেরিয়র সার্ভিস প্লেটফোর্মনা মখোয়বু শমহন্দুনা অনৌবা খুদোংচাবা কয়ামরুম পীরি। প্লেটফোর্ম অসিগী খুত্থাংদা হাংদুনা লৈরিবা থবক কোতি ৭ লোমগী ঈ-পাউশিং নহাশিংদা ফংহনবা ঙমলে। শ্রী মোদিনা হায়- থৌরাং অসি ইং ২০২২ গী ওক্তোবরদগী হৌদোকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা এপ্পোইন্ট লেট্টর লাখ ১১ হেন্না পীখ্রে।

হেলথ ঃ মালেমগী পোলিও নুমিৎকা মরী লৈননা লৈবাক অসিদগী পোলিও লায়না মুত্থৎনবা হোৎনরিবশিং কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী নদ্দানা হায়- লৈবাক অসিদগী পোলিও মপুং ফানা মুত্থৎনবা হোৎনবদা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌদুনা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চংদুনা অঙাং খুদিংমকপু হিদাক পীথকবা হোৎনরিবা অসিগী মহয়নি। লৈবাক অসিবু মশা মউ ফবা, তুংদা পোলিও লায়না লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অঙাংশিংবু মতম চানা হিদাক কাপথোকপীনবা অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌমিন্নরশি হায়না শ্রী নদ্দানা মখা তাখি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগীদমক সরকার পায়রিবা এন.দি.এ অমসুং বিরোধি গ্রান্দ এল্লায়েন্সকী ষ্টার কেম্পেন্নরশিংনা মীখলগী রেল্লিশিং পাঙথোক্কুনা মখোয় মখোয়গী মীরেপকীদমক ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নেসনেল দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স (এন.দি.এ)গী কেম্পেন সমস্তিপুর জিলাদা মীখলগী রেল্লি পাঙথোক্তুনা হৌদোকখি। ধুতপুরা হেলিপেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- সোসিয়েলিষ্ট জন নায়ক কারপুরি ঠাকুর অসি লৈবাক অসিগী ওইনা তাংলবা হিরানি। নিংতম্লবা ভারত্তা সোসিয়েল জষ্টিস পুরকবা হোৎনবদা মহাকা চাওরবা থৌদাং লৌবতা নত্তনা লাইরবা অমসুং খুদোংচাবা ফংদ্রবা মীওইশিংদা কান্নবা কয়ামরুম পীখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলোঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চথরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম-এনা অরবিন্দ পোলো ক্লব ইরোইশেম্বা টিম-বিবু পাঞ্জল ১০-০ দা মায়থিবা পীখি। অতোপ্পা মেটচতা পেরেদাইজ পোলো ক্লব ৱাংখৈনা লাইনিংথৌ খোরিফাবা পোলো ক্লব নম্বোল টিম-বিবু পাঞ্জল ১৩-০ দা থোইখি। ঙসিগী অহুমসুবা গ্রাউন্দদা ইবুধৌ মার্জিং পোলো ক্লব হৈঙাংনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম-সিবু পাঞ্জল ১২-৬ তা থোইখি।

ফুটবোল ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা মসিগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ শুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসিগী মেটচতা উপসা মন্তকনা পি.এফ.সি তোকপা চীংবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

তমেংলোং ঃ থা অসিগী ৮ দগী টিম ৩৬ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা ১৩ শুবা গোস্পেল য়ুথ সোক্কর ২০২৫ গী চেম্পিয়নচেংদাং বেপটিষ্ট চর্চনা ওইরে।

ফাইনেলদা মখোয়না কাংচিউলুৱান বেপটিষ্ট চৰ্চপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। লোইশিনবগী থৌরমদা এম.এল.এ- জাংহেমলুং পানমৈ শরুক য়াখি।

কবাদি ঃ ভেহরেনদা চত্থরিবা এসিয়ান য়ুথ গেমসতা ভারতকী চহি ১৮ মখাগী নুপীমচা অমসুং নুপামচা টিমনা কবাদিদা সনাগী তকমান লৌরে। নুপীগী ফাইনেলদা ভারতনা ইরানবু পোইন্ট ৭৫-২১ দা থোইখি। নুপাগীদা ভারতনা ইরানবু পোইন্ট ৩৫-৩২ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ নুপীগী আই.সি.সি ৱিমেন্স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপতা ভারত সেমি ফাইনেল চংখ্রে। নবি মুম্বাইগী দি.ৱাই. পাতিল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারতনা নিউজিলেন্দপু রন ৫৩ দা থোইখিবনি। ওষ্ট্রেলিয়া, ইংলেন্দ অমসুং সাউথ আফ্রিকাদি হান্ননা সেমি ফাইনেল চংখ্রবনি।

------

--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১) চীংখোঙ চীংয়াদা অশোই অঙাম থোক্তনা লৌ লোকবা অমসুং আই.দি.পিশিং অথুবা মতমদা খুন্দা লৈতাহন্নবগী মতাংদা বিষ্ণুপুর জিলাদা সেক্যুরিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

২) মণিপুরদা নৌনা দেঙ্গিগী সেম্পল ১৮৩ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৭৭ পোজিতিভ ওইবা থেংনরে।

৩) অঙাং খুদিংমক পোলিও হিদাক পীথক্তুনা পোলিও লায়ননা লোইশিনবা হায়বা হিরমদা ঙসি মালেমগী পোলিও নুমিৎ পাঙথোক্লি।

৪) এম.এল.এ. জাংহেনলুং পানমৈনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- রোজগার মেলানা লৈবাক অসিগী নহাশিংগী মঙলান মঙফাওনহন্নবগী লম্বী অমা ওহরক্লি।

--- পাউ লোইজরে---